**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-03-2024)**

**এরেষ্ট (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি। তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী য়ান্নবা খুৎশু খুৎলায় কয়াগা লোয়ননা আইননা থিংখ্রবা লুপ কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই ১৩ সু ফারে।

পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- কাংপোকপী জিলাদগী লোকেল মেদ পোইন্ট তোইন্তি টু রাইফল অমা, মেগজিনগা কোন্ননা এম. সিক্সতিন রাইফল অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু ৮ অমসুং ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্সকী কাপ্পা য়ারিবা মরু মরি ফাগৎখি।

ককচিং জিলাদগীনা কন্ত্রিমদ পিষ্টোল অমা অমসুং দিটোনেটর অমদি ফ্যুজ য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অনি ফাগৎখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী শজিরোক মনিং কনেলদগী মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. অমা, মেগজিনগা লোয়ননা নাইন এম.এম.পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ ১৩, ঐচ.ই. মোটোর সেল অমা, স্মোগ সেল অমা অমসুং য়ান্নবা নোংমৈ মরুশিং ফাগৎপা ঙমখ্রে।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কামেং শন্বল অমসুং লোইতাং শন্দুমদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্থবগী থবক চত্থবদা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী ত্রেন্নিং কেম্প অনি থুগায়খিবগা লোয়ননা লপ্ অসিগী মীওই ১৩ ফারে। লুপ অসিনা ফাদুনা থম্লম্বা মীওই অমসু কনবা ঙমখ্রে। মখোয়দগী এ.কে. রাইফল অমা, ইনসার্স রাইফল অমা, বোল্ট রাইফল অনি, নাইন এম.এম. ওটো পিষ্টোল অমা, দবল বেরেল অমা, ইজোরটেদ মেগজিন ১২, স্কোপ অমা, বাইনেকুলর অমা য়াওনা য়ান্নবা নোংমৈ মরু ফাবা ঙমলে। মখোং মরি পানবা গাড়ি মঙা অমসুং গাড়ি মচা অনিসু মফম অদুদগী ফংবা ঙমখি হায়রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

**বোম (এল)ঃ** নোনে জিলাগী অৱাং খুল পার্ট টুদা লৈবা এ.বি.সি. আই. প্রাইবেট লিমিটেদকী বেজ কেম্প মনুংদা ঙরাং হেন্দ গ্রেনেদ অমা পোকখায়বদা মীওই অমা শোক্লে।

ঐখোয়গী নোনে পাউমী অগুই কামৈনা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-হেন্দ গ্রেনেদ অদু এ.বি.সি.আই. প্রাইবেট লিমিটেদ মনুংদা লংশিনদুনা পোকখায়হনখিবনি। মদুদা হোট মিক্স প্লানকী ওপরেটর অদু শোকখিবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা থৌদোক থোকফমদা চংশিনদুনা থিজিন হুমজিনবগী থবক চথখ্রে। কেস অমসু লৌখৎখ্রে।

এ.বি.সি.আই. প্রাইবেট কন্সট্রক্সন কম্পানি অসিনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী নেসনেল হায়ৱে-৩৭ কী রাংখুংদগী খোংশাং ফাওবগী লম্বী অসি দবল লেন্দ ওনথোকবা হৌজিক হৌজিক থবক চথরিবনি।

**চান্দেল (এল)ঃ** লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগীদমক চান্দেল জিলাগী ওইনা শিজিন্নগদবা ই.ভি.এম. মেছিন অমদি ভি.ভি. পেদশিং অহানবগী ওইনা রেমদমনাইজেসন প্রোসেস পাঙথোকখ্রে।

ইলেক্সন মেনেজমেন্ট সিষ্টেমগী খুথাংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসার-ময়াংলংবম্বম রাজকুমারনা হায়-ই.সি.আই. অমদি সি.ই.ওদগী কন্ট্রোল য়ুনিট মেছিন ১৭৮, বেল্লোট য়ুনিট মেছিন ১৪১ অমসুং ভি.ভি. পেদ হায়না খঙনব ভোটর ভেরিফাইয়েবল ওদিট ট্রাইয়েল মেছিননা ১৪২ নি। হায়রিবা মেছিনশিং অসি চান্দেল জিলাগী অপুনবা পোল্লিং ষ্টেসন ৮০ দা শিজিন্নগদবা হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাদসু মীখল অসিগা মরী লৈননা অহানবগী ওইনা ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি.পেথশিং শিজিন্নবগী মতাংদা ঙরাং ট্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা জিলা অসিগী ভোট থাদবা য়ারবা ভোটরশিংনা কাংলোন চুমা অমসুং শান্তি লৈনা ভোট থাদবা থোকপীরকবা মীয়ামদা আপিল তৌরি।

**সেন্টর (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী চম্ফাই সব দিভিজনগী মখাদা লৈবা কৈথেলমানবী মিলিটরি কোলোনিদা লৈবা পেনেল কেয়ার সেন্টরদা ওপরেসন সদ ভাবনাগী মখাদা মহা রেজিমেন্টনা সেন্টর অসিগী অনৌবা বিল্ডিং অমা শাদুনা শঙ্গাখ্রে। সেন্টর অসিদা লৈরিবা মীওইশিংদা নৌনা শঙ্গারবা বিল্ডিং অসিনা হেন্না কান্নবা ফংহল্লগনি।

**মৈ (এল)ঃ** তেংনৌপল জিলাগী কৈপম খুলদা ঙরাং থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অমা অসাম রাইফলসকী ফয়ার ফাইটিং কাংবনা কনবা ঙমহৌরে হায়না অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**রেল্লি (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা থৌবাল জিলাগী লিলোংদা এক্স সার্ভিসমেনগী রেল্লি অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা এক্স সার্ভিসমেনগী ইমুং মনুংশিং শরুক য়াখি। এক্স সাভির্সমেনশিংগীদমক তেংবাংনবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদসু থৌরম অসিদা খন্নখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

**গেমসঃ** অহুমশুবা নোর্থ ইষ্ট গেমস ২০২৪ গী ওভর ওল চেম্পিয়ন মনিপুরনা ওইরে।

নাগালেন্দদা ঙরাং লোয়শিনখিবা গেমস অসিদা মনিপুরনা সনাগী তকমান ৫২, লুপাগী ৩৮ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪০ পুন্না তকমান ১৩০ ফংদুনা ওভর ও চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

নাগালেন্দনা সনাগী ৪৮, লুপাগী ৪২ অমসুং শেঞ্জেংগী ৪৪ ফংদুনা অনিশুবা তাখি। অসামনা সনাগী ৪৩, লুপাগী ৪৪ অমসুং শেঞ্জেংগী ৫৩ পুন্না তকমান ১৪০ ফংদুনা অহুমশুবা তাখি।

মমাংগী এদিসন অনিমকপু মনিপুরনা ওভর ওল চেম্পিয়ন ওইদুনা লাকখিবনি। গেমস অসিদা মনিপুরনা ওভর ওল চেম্পিয়নসিপ ওইখিবদা নাগালেন্দ ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

বি.জে.পিগী ইন্নরগী মীরেপ মীনা নাংবনা অমা, লাইনা তম্বনা অমগী থৌদোক থোক্কদৌরিব্রা হায়না ৱাহং হংবা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইনি। হেদলাইন অসিগী মখাদা সব হেদ ওইনা আউটরদা মীরেপ থাদোক্তবগীদমক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট বি.জে.পি. ওফিস অকায় অতোয় থোকহল্লম্লে হায়নসু ফোংলি। সেনাপতিগী বি.জে.পি. ওফিস অমাং অতা থোকহল্লম্বগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন অমসুং পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইনদা-১৮ শুবা লোক সভা মীখল ইচম চমা লৌবীগনু, মনিপুরগী মমায় চুমগদৌরিবনি হায়না ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসকী ইন্নর মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুটয়েন্সিগী মীরেপ বিমোল অকোইজমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপু ন্যুজগী অনিশুবা হেদলাইন অসি কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী ত্রেন্নিং সেন্টর অনি থুগায়খ্রে, কাদর ১৩, গাড়ি ৭, য়াল্লবা খুৎলায় ফাগৎখ্রে হায়না হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

আটরদা বি.জে.পিগী মীরেপ থাদোক্লরোই, ইন্নরদা বি.জে.পিগী মীরেপ লাউথোকপা ঙমদ্রি হায়বা হেদলাইন অসিনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী

অহানবা হেদলাইনি।

বি.জে.পি. সেন্ত্রেল ইলেক্সন কমিতিগী মীফম পাঙথোকখ্রে, ইন্নরগী মীরেপ কনানা ওইগদগে হায়বদু অথুবদা লৈখায় তারগনি হায়বা হেদলাইন অসিনা ঈচেল এক্সপ্রেসতা বেন্নর হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

মনিপুরনা অমুক হন্না নোর্থ ইষ্ট গেমসকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইননি।

মালেমগী খ্বাইদগী তমথিরবা টেরর এট্টেক টেরোরিষ্টশিংনা মোস্কোগী ক্রোক্স হোলদা এট্টেক চথুবদা ১৫০ শিরে হায়বা হেদলাইন অসি সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইনি।

বি.জে.পিগী টিকেৎকীদমক আর.কে. রঞ্জন মাংজিল থানা চৎলি হায়বা হেদলাইন অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইনি।

মতম চানা ৱায়েল পীনবা হোৎনবা মথৌ তায় হায়না রাজ্যপালনা উকিলশিংদা আপিল তৌখিবা ৱাফম অসি দা মোরনিং বেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসারশিংগা উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে। হেলিকোপ্তর রেপিদ রেস্পোন্স টিমশিং শেমখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইনি।